# মণিপুরবু মালেমদা অহানবা ওইনা শক্তাকখিবা সন ওফ মণিপুর মিষ্টর মাইপাক

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

(হান্নগী মখা...)

ৱারী মখা তারদুনা ভেটরান শান্নরোয় অসিনা থবক থাদোরকখিবগী মতাংদা অসুম্না পাউদম্বীরকখি, কুমজা ১৯৭৩দা পাঙথোকখিবা 'মরিশুবা এম আরগী পাসিং পেরেদ' কী থৌরমদা ঐহাকপু বোদি বিল্ডিংগী অখন্নবা শো অমা উৎননবা মতমদুগী কম্মান্দেন্ট অমদি চীফ সেক্রেটরিনা খঙহনবীরকখি। তৌবসু হায়রিবা মতমদুদি থৌরম খিত্তং চাউবা অমবু তৌরবদি বোদি বিল্ডিংগী শো উৎপসি য়াম্না তৌনরম্মী। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী অচৌবা ফঙ্কসন অমবু তৌরবদি থাঙ-তাগী, জিম্নাষ্টিক্সকী আইটেম খরা মীয়ামদা য়েংহনবসি কম্পলসরি ওইরম্মী। মিষ্টর মিংথোলগা ফংলকখিবা, মীয়াম্নসু পাম্ন বা মতম ওইদুনা 'শো' উৎপসিসু মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎচরকখি। মাগী মাগী মতম হায়বদুনি। অদুগা মরিশুবা এম আরগী পাসিং পেরেদকী থৌরমদুদা শো উৎননবা হোৎনবদা শোয়খিবা অদুসু নুমিৎতু ঐহাক অয়ূক ঙস্তাদগী শাজেল তৌদুনা লৈজখি। থৌরাং পূম্ন মক লোইদুনা য়ূমদগী লাক্লবা মতমদা নঙগীদু হোরেল নুংথিল ওইনা উৎলো হায়দুনা ইরায় লায়না য়ৈথোরকখি। অদুদগী ঐহাক য়ূমদা হল্লকখি। মরক্তুদা ঐগী ইচানুপা অতোনবসি খুদোং থীনীংঙাই ওইবা মওংদা মশা ঙল্লক্তবদগী য়ূম থাদোকপা য়াদবা মতা অমা থোকখি। য়ূমদা মী থারক্তুনা 'শো' অদু উৎননবা খঙহল্লকখি। অদুবু পীক্লিবা ইচাদুগী মেন-মান তাবদা ফীভমদুদা ঐহাক চৎপা ঙমখিদে।

নোংঙানবগা ঐহাকপু থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরকখি। মদুদগী ঐহাকসু পূক্লিং নুংশিবোই, শাওনীংবোই অচৌ-অশাংশিংনা মখোয়না ঙম্মী হায়বা মতাগুম তৌবা থৌওংদু য়ানীংদবদগী খুদক্তা থবক থাদোকপগী চে ইদুনা পীশিনখি। মসিগুম্বা নুংঙাইতবা থৌদোক্কসু অদুম থোকখি।

থবক থাদোক্লবা মতুংদা অনৌবা ষ্টেপ অমমুক থাংবা হৌরকখি। কুমজা ১৯৭৩দগীনা ১৯৭৭ ফাওবগী মতমদু লৌ-শিং উবা, শা-ষণ লোইবা, মনা-মশিং থাবা মদোমদা অমুক ৱাখল থাদরকখি। ৱাখলদা নুংঙাইতবা অমদি অদুম ফাওই। অদুবু মীনা উশিৎতবা, লাকচনা তৌবা অদুগুম্বদুদি ইপাসু য়ানীংদবনিনা ঙম্না ঙম্নবা থৌনা লৈনা হোৎনরকখি।

অসুম্না চহী খরা হৌখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা য়াংমাসো শৈজানা ঐহাকপু থিবিরকখি। ঐহাক্না মতম চাদনা থবক্তগী পোথাখিবা, ইশাদা থোকখিবা নুংঙাইতবা থৌদোকশিংগী ৱারী-ৱাতাই মমুৎ তানা শান্নরবা মতুংদা মহাক্না চীফ মিনিষ্টর ওইবা মতম কুমজা ১৯৭৭তা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা অখন্নবা পোষ্ট অমা শেম্বীদুনা থবক হাপ্পীরমখি। মদুগী মখা তাবা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস ওফিসরগী মখাদা বোদি বিল্ডিং কোচ ওইনা থৌ পুরম্লগা থবক্তগী পোথারকখি।


অঙম-অথৌগী মরক্তা ঐখোয়বু মশক খঙবীবা য়াওরকপসিসু য়াম্না নুংঙাই। মীওইবগী ৱাখল হায়বসিসু অমগা অমগা মান্নদে। য়াংমাসো শৈজাহোয়সিদি তশেংনা অফবা অচুম্বা মশক খঙবা মীশকনি। মশামক ফুটবোল প্লেয়র ওইরকপনিনা মহাক্তি স্পোর্টসমেনগী অশেংবা মগুণসু মুন্না খঙই। পুন্সিগী মতাং অমনা মহাক্না ঐবু খঙবীদুনা থবক মচা অমা হাপ্পীরম্বদু ঙসি ফালবা ঐহাক কাউদে। মহাকপুসু থম্মোয় শেংনা থাগৎচরি।

হন্দক উনরুবদা ভেটরান শান্নরোয় অসিনা তাকপীরকপা ৱাফম অমদি - হৌজিক্কী মতমদা হকচাং ফনবনি হায়দুনা মখল মখা কয়াগী ফুদ সপ্লিমেন্ট ময়াম অমা চারিবসি ইপাগী ওইনদি পামদে। চাশিল্লিবা, থকচিল্লিবা, কাপশিল্লিবা কয়াদুনা ঙাইহাক্কী নৎত্রগা মতম খরগী ওইনদি অকনবা, মওং তাবা মী অমদি ওইহনবা য়াই। অদুবু তুং কোয়না তিঙ্গেন লাইজেন্দনা থমগে হায়রগদি মনা-মশিং, পেরুক, লফোই, শঙ্গোম, য়েরুম, মতম মতমগী উহৈ ৱাহৈ মসিগুম্বসিসু খরা হেন্না চাহন্নীংই। ইরমদমসিদা ফংজবা উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং চাবগী কান্নবসিদি হয়েং অহল ওইরক্লবা মতমদা ময়েক শেংনা খঙলক্কনি।

হৌরক্লিবা ইচা-ইশুশিং পূম্নমক্তা হায়নীংবসিনা, ওজা-গুরুগী থকসি-খাসি মসিদি ফজনা ঙাক্তুনা চৎকদবনি। অদুগা শান্নবা হায়বসিদসু মখল মখাগী মশান্না কয়ামরুম লৈ। বোদি বিল্ডিং হায়বা মশান্না অসিমক্তি হকচাংদা য়াম্না কান্নবা মশান্না অমনি। কাঙলোন চুম্না শান্নরবদি পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্মী হায়বসি ঐখোয়না কাউরোইদবনি। বোদি বিল্ডিং শান্নবা শান্নরোয় অমনা মশাবু কয়াম চেকশিন্না থম্বগে হায়বসি মুন্না খঙনবা অফাও-অফাওবা মালেমগী মমিং লৈবা বোদি বিল্ডরশিংগী পুন্সি ৱারীসু ঐখোয় নৈনগদবনি। ইশাবু কৃপ্না শেন্নজবা, চেকশিন্না থম্বা হায়বসিনা শান্নরোয়শিংগী অশেংবা মগুণ ওইগদবনি।

লোইশিল্লকপসিদা ইপানা হায়জনীংবা ৱাফম অমতংদি, ঙসিদি ইপাসু অহল ওইরে, অয়াম্বা মীওইনা মতম অমগী মিষ্টরনি হায়বসি খরা খরদি কাউনরক্লে। অমরোমদা ঙসিদি মণিপুরগী অফাও অফাওবা মমিং লৈবা ইচা-ইশু ময়াম অমসু মথং মথং থোরকখ্রে। মিষ্টর ইন্দিয়া, মিষ্টর এসিয়া, মিষ্টর য়ুনিভর্স ... ফংবা ঙম্বা ইচা ইশু ময়াম অমা থোরকপসিসু তশেংনা হায়রগদি য়াম্না নুংঙাই। অদুবু পূম্নমক অসি করম্না হৌরকখিবগে হায়বগী ৱারী ৱাখোঙশিং অসি ঙসিগী ইচা ইশুশিংনা খঙজনবা ফর্ষ্ট মেন হিষ্টরি ওফ স্পোর্টস এন্দ দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ওফ মণিপুর, মাইপাক সন ওফ মণিপুর হায়বা প্রোদ্যুসর কে মনিমোহন, এ শ্যাম শর্ম্মা (ম্যুজিক), দিরেক্টর দি কে বোসনা পুথোকখিবা 'দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম' অসি মরী লৈনবা ইমুং-মনুংশিংনা হোৎনবীরগা ঙসিগী ফিল্ম তৌবিরিবা ইচা-ইশুশিংনা অমুক্তং নৌনা পুথোকপীরক্লগাদি ইপাগী হেন্না অপেনবা হায়বদু ওইগনি। শিরবসু ইপা পেল্লগনি।

- লোইরবা-




## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৩

১। মহাক সাইকল লমজেলদা ওলেম্পিক্কী মকোক ওইখি। লমজেল হৌরমদাইদা মহাক হেলিকোপ্টরনা পুরকখি। মহাক খরা লাপ্পা মফম অমদা ৱার্মিং অপ তৌরুবনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি ওলেম্পিক্কী ৱারীদা অহানবনি। মহাক কনানো?

২। অসামগী করম্বা মফমদা কুমজা ১৯৬৭তা পাঙথোকখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখিবগে?

৩। মহাক্কী মপা স্বিজরলেন্দগী প্রসিদেন্ট অনীরক ওইখি। মহাক ৱিন্টর অমসুং সম্মর ওলেম্পিক অনীদা শরুক য়াখি। ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল অমা ফংখি। সম্মর গেমসতদি ফংখিদে। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪। মহাক ৱেষ্ট বেঙ্গলদা অঙাং ওইরিঙৈদগী অফবা শান্নরোয় অমা ওইখি। মহাক ওলেম্পিক্কী মেদল মরি ফংখি। মহাক কনানো?

৫। পীরিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## য়ুকি ভাম্ব্রি ৱিমব্লেদনগী অহানবা রাউন্দা ফাবিয়ানোগা থেংনরগনি

লন্দন, জুন ২৯ (এজেন্সী) ঃ চহী অসিগী অহুমশুবা গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিমব্লেদনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় য়ুকি ভাম্ব্রিনা ইটালিগী থোমাস ফাবিয়ানোগা থেংনরগনি।

ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিনা মহাক্কী করিয়রদা ইটালিগী শান্নরোয় অদুগা মমাঙদা অহুম্লক মায়োক্লখিবদা মেচ অহুম্মক মায়থীবা নংখি। ইকোন কোন্না শান্নরোয় অনীনা লম্বা তৌখিবা অদু কুমজা ২০১৭কী নোটিংঘাম চেলেঞ্জর ইভেন্টতনি। হায়রিবা মেচ অদুদসু য়ুকি ভাম্ব্রি মায়থীবা নংখি।

হৌজিক হৌজিক মালেমগী নুপাগী টেনিস শান্নরোয়শিংগী সিঙ্গলসকী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিনা ৮৫শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লি। অমরোমদা ইটালিগী শান্নরোয় থোমাস ফাবিয়ানো ১২১শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

চৎলিবা চহী অসিদা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিগী মশান্নদা অহেনবা কয়া লাক্তুনা মমাঙদা লৈখিবা ফীভম অদুদগী ফগৎলকপা ঙমখিবনি। মরম অদুনা ৱিমব্লেদনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দ অদু য়ুকি ভাম্ব্রি মশামক্না থোমাস ফাবিয়ানোবু মায়থীবা পীবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ফোঙদোরক্লি।

দবলসকী কাঙলূপ্তা রোহন বোপান্না শরুক য়ারি।

## থাঙ-তা ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ নম্বোল পুলিস ষ্টেনগী মনুং চনবা নম্বোল ককয়াইগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুইয়েন লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী তেংবাঙগা লোয়ননা জুলাই ১১দগী ১৫ ফাওবা ককয়াই তোনা কাংজেবুংদা থাঙ-তা ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লগনি হায়রি। ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়ানীংবা থাঙ-তাগী ওর্গেনাইজেসন অমসুং এসোসিএসন-শিংনা অকূপ্পা মরোলগীদমক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হুইয়েন লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন্দগী খঙলবা য়াগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ শান্তিকুমার লুৱাংচানা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

১৩শুবা ষ্টেট লেভেল এলেভেন মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এফ সী য়ূম্নাম খুনৌ মায় পাকখ্রে এল এস এ এফ সী অচানবীগৈ অমসুং এম এস এফ সী হৈঙাং দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ ব্রাইটর ক্লব, অৱাং পোৎশংবম খুলেন্না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট চহীসিগী ওইনা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল এলেভেন মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এফ সী য়ূম্নাম খুনৌ মায় পাকখ্রে এল এস এ এফ সী অচানবীগৈ অমসুং এম এস এফ সী হৈঙাং দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২০না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল এলেভেন মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী তরাশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এফ সী য়ূম্নাম খুনৌ অমসুং কে এফ সী কোন্থৌজম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নখিদে।

অনীশুবা হাফকী ২৮শুবা মিনটতা এফ সী য়ূম্নাম খুনৌগী জর্সি নম্বর ৬ টি ঐচ রবিচন্দ্রনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। কে এফ সী কোন্থৌজমগী মায়কৈদগীসু রবিচন্দ্রনা চনখিবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু এফ সী য়ূম্নাম খুনৌগী মায়কৈদগী কে এফ সী কোন্থৌজম্না চথুরকপা এটেকশিং অদু নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। মেচকী ৩৩শুবা মিনটতা এফ সী য়ূম্নাম খুনৌগী জর্সি নম্বর ১১ পি কেন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চল্লগা মেচ অদু এফ সী য়ূম্নাম খুনৌনা গোল ২-০দা লৈখি। মেচকী ৪৭শুবা মিনটতা কে এফ সী কোন্থৌজমগী জর্সি নম্বর ৯ কে রাজকুমারনা এফ সী য়ূম্নাম খুনৌগী অহানবা গোল হন্দোক্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-২দা লৈহনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এফ সী য়ূম্নাম খুনৌনা কে এফ সী কোন্থৌজম্বু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এম এস এফ সী হৈঙাং অমসুং এল এস এ এফ সী অচানবীগৈ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নদবদগী গোল ০-০ দ্রো চৎখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা মেচ ওইনা হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দদা এস দি ৱাই সী অমসুং ফোরটিন এফ সী শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই দি সী অমসুং লিজবোন শান্নগনি হায়রি।



# ইন্দিয়াগী শ্রীকান্ট অমসুং পি ভি সিন্ধু মলেসিয়া ওপনগী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



কোলা লম্পুর, জুন ২৯ (এজেন্সী)ঃ মলেসিয়াগী কোনুং কোলা ম্পুরদা পাঙথোক্লিবা মলেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী নুপাগী অমসুং নুপীগী শান্নরোয় কিদম্বী শ্রীকান্ট অমসুং পি ভি সিন্ধু মখোয়-মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ মায়পাক্তুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

য়ু এস দোল্লর ৭০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী নুপাগী নম্বর ৱান শান্নরোয় অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ৪শুবা সীদেদ ওইরিবা কিদম্বী শ্রীকান্টনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱার্ল্ড নম্বর ২২ ফ্রান্সকী শান্নরোয় লেবরদেজবু শুপ্নগী মিনট ৩৯ খক চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ২১-১৮, ২১-১৪দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয় শ্রীকান্টনা মমাংদা ফ্রান্সকী শান্নরোয় লেবরদেজগা ইকোন কোন্না লম্বা তৌনখিবা লম্বা অমদা চহী অসিগী ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা শ্রীকান্টনা মায়থীহবা পীখিবনি। মেচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় শ্রীকান্ট চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা শিলভর মেডল ফংবা ঙমখি।

অহানবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী শ্রীকান্টনা য়াম্না ফজনা শান্নরবসু ফ্রান্সকী শান্নরোয় অদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী অৱৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নরকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী শুপ্নগী পোইন্ট ১৮ ফংলগা মখা তাবা পোইন্ট লৌবা ঙমখিদবদগী গেম অদু শ্রীকান্টনা ২১-১৮দা থোইখি।

অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী শ্রীকান্টনা মশাগী মশান্নদা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উত্তুনা অহানবা গেমদা মহাক্না পোইন্ট ২১-১৮দা থোইখিবা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নদুনা শ্রীকান্টনা পোইন্ট ২১-১৪দা মায়থীবা পীদুনা গেম অদু মায়পাকখিবদগী শ্রীকান্ট টুর্নামেন্ট অসিগী সেমিফাইনেলদা জপানগী শান্নরোয় কেন্তো মোমোটাগা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী শ্রীকান্টনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমিফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা জপানগী শান্নরোয় কেন্টো মেমোচতানা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় চৌ টিয়েন চেনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৯, ২১-১১দা য়াম্না কোম্না মায়থীবী পীরম্বনি।

নুপাগী অতোপ্পা সেমিফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয় অনী অদু মলেসিয়াগী লি চোং ৱৈ অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী টোমি সুগিয়ার্টোনি। লি চোং ৱৈনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান শান্নরোয় দেনমার্ক্কী ভিক্টর এক্সেলসেনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৭, ২১-৯দা মায়থীবা পীরম্বনি। অমরোমদা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় টোমি সুগিয়ার্টোনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা ওইখিবা চাইনাগী শান্নরোয় সি য়ুকিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ১৩-২১, ২১-১৩, ২১-১৩দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

মলেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা শীদেদ শান্নরোয় স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ২২-২০, ২১-১৯দা মায়থীবা পীরমখি।

ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী সেমিফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান শীদেদ শান্নরোয় চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। টাই জু য়িংনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা মলেসিয়াগী শান্নরোয় গো জিন ৱৈবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৫, ২১-১৫দা মায়থীবা পীরম্বনি।

# ত্রায়লদা মায়পাক্তুনা মণিপুরদগী হৌখিবী বোক্সর সরজুবালা এসিয়ান গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ২৯ (এজেন্সী)ঃ ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ওগষ্ট ১৮দগী পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসতা বোক্সিং দিসিপ্লিনগী ওইনা ইন্দিয়াগী বোক্সর খনবগী ত্রায়ল সেলেক্সন্দা মায় পাক্তুনা মণিপুরদগী হৌখিবী নুপী বোক্সর সর্জুবলা ক্বালিফাই ওইখ্রে।

কেজি ৫১গী কাঙলূপ অদুদা মমাঙদা শরুক য়াগনি হায়না তৌরম্বী এম সী মেরি কোম লেংজুম শোকপদগী য়াওখিদবা অদুনা মরম ওইরগা সর্জুবলানা হায়রিবা ৱেথ কেটাগোরি অদুদা মহাক্কী লম্বা মায়থীবা পীদুনা ক্বালিফাই ওইখিবনি। মহাক্না ৱেথ কেটাগোরি অদুগী ত্রায়ল সেলেক্সন্দা মমাঙদা কম্মনৱেলথ গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবী পিঙ্কি জঙ্গ্রাবু মায়থীবা পীদুনা এসিয়ন গেমস অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

এসিয়ন গেমস অসিগী ত্রায়ল সেলেক্সন্দা মায় পাকখ্রবা নুপাগী বোক্সরশিংগী মনুংদা অসামদগী হৌখিবী বোক্সর সিব থাপাসু ক্বালিফাই ওইখি। মহাক্না কম্মনৱেলথ শিলভর মেদলিষ্ট মনিস কোসিদপু ত্রায়ল সেলেক্সন অদুদা মায়থীবা পীখি।

খনগৎলবা এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা বোক্সরশিং অদুদি নুপাগীদা অমিট পাঙ্গল (কেজি ৪৯), গৌরব সৌলাঙ্কি (৫২), মোহম্মদ হুসামুদ্দিন (৫৬), সিব থাপা (৬০), ধিরজ রাঙ্গি (৬৪), মনোজ কুমার (৬৯) অমসুং বিকাস ক্রিষ্ণন (৭৫) নি। নুপীগীদা সর্জুবলা (৫১), সোনিয়া লাথর (৫৭) অমসুং পাবিত্র (৬০) নি।

## নরং অমসুং জিতু ক্বালিফাই ওইখিদ্রে

ন্যু দেল্লি, জুন ২৯ (এজেন্সী)ঃ ওগষ্ট ১৮দগী ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি অনীদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসকী শুটিং দিসিপ্লিন্দা ইন্দিয়াগী টিম খনবদা মমিং লৈরবা শুটর গগন নরং অমসুং জিতু রায় ক্বালিফাই ওইখিদ্রে।

চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা এসিয়ন গেমস অসিদা মমিং লৈরবা শুটর কয়া ত্রায়ল সেলেক্সন্দা মায় পাকপা ঙমখিদবনি। কুমজা ২০১২ লন্দন ওলেম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা গগন নরং অমদি জিতু রায় ত্রায়ল সেলেক্সন অদুদা ক্বালিফায়িং মার্ক য়ৌদবদগী এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবনি।

হন্দক্কী এসিয়ন গেমস অসিগী ত্রায়ল সেলেক্সন্দা খনখ্রবা শুটরশিং অদুদি নুপাগীদা সঞ্জিৎ রাজপুট, অখিল সিওরান, রবি কুমার, দিপক কুমার, হরজিন্দর সিংহ, অমিট কুমার, অপুরভি চান্দেলা, অভিসেক বর্ম্মা, সিবম শুক্লা অমসুং অনিসনি।

নুপীগীদা শ্রীয়াসি সিংহ, সিমা টোমর, গানেমট সেখোন, রাজমি রাথোর, হিনা সিধু, সৌরব চৌধুরি, মানু ভাকর, গনামেট সেখোন, সদুল বিহান, লক্সে, সিরাজ সেখ, অঙ্গদ বজুৱা অমসুং রহি সরনোবটনি।

ইন্দিয়ানা পূন্না নুপা অমসুং নুপীগী ইভেন্ট ৯দা শরুক য়াদুনা মমাঙদা লৈখিবা এসিয়ন গেমসকী শুটিং মেদল অদু হেনগৎনবা হোৎনগদৌরি।

# ফাইনেল য়ৌনবা ইন্দিয়ানা নেদরলেন্দসকা দ্রো চৎপা তাই

ব্রেদা, জুন ২৯ (এজেন্সী)ঃ নেদরলেন্দসকী সিটি ব্রেদাদা চথরিবা নুপাগী চেম্পিয়ন্স ত্রোফি হোকি চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক হয়েং ইন্দিয়ানা অরোইবা লীগ মেচতা য়ূম্বু লৈবাক অদুগা দ্রো চৎপা তাই।

ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম ৬না লম্বা তৌনরগা শান্নরিবা চেম্পিয়ন্স ত্রোফি হোকি টুর্নামেন্ট অসিদা মেচ ৪ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা ফাইনেলদা মাঙজৌননা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী টিম মেচ ৪ শান্নবদা ২ মায় পাক্লগা মেচ অমা দ্রো চৎখ্রবা মতুং অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা লৈরি। লোয়ননা য়ূম্বু নেদরলেন্দসকী টিম মেচ ৪ শান্নখিবদা অনী মায় পাক্লগা অনী মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি।

হয়েং শান্নগদৌরিবা অরোইবা লীগ মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা থোইরবদি ফাইনেল য়ৌবগী চিংননীংঙাই লৈত্রে। অদুবু য়ামদ্রবদা নেদরলেন্দসকা দ্রো চৎলবসু ফাইনেল শুংশোয় শোয়দনা য়ৌরগনি। করিগুম্বা নেদরলেন্দসনা থোইখিবা তারবদি ইন্দিয়াগী ফাইনেল য়ৌবগী লম্বোল তৎলগনি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এম আর সী চজিং মায় পাকখ্রে, সভেন টাইগর খুরাই অমসুং এস ৱাই দি এ শান্তিপুর দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২৯ (ঐচ এন এস) ঃ করাম অৱাং লৈকায় য়ঙ ক্লব (কে এ এল ৱাই সি) করামনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবদা লৈবা করাম কাংজেবুং লম্পাক্তা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এম আর সী চজিং মায় পাকখ্রে। অদুগা সভেন টাইগর খুরাই অমসুং এস ৱাই দি এ শান্তিপুর দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা টিম ২০ শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল ইবুধৌ নোংশাবা ৭ এ-সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ১৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী এম আর সী চজিং অমসুং কে এ এল ৱাই সী-এ করাম শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চথনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল চন্নদনা লৈখি। মেচকী ১৫শুবা মিনটতা এম আর সীগী জর্সি নম্বর ১০ লৈঙাকপনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনখি। লৈঙাকপনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। কে এ এল ৱাই সী-এগী মায়কৈদগীসু এম আর সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ২৪শুবা মিনটতা কে এ এল ৱাই সী-এগী জর্সি নম্বর ১১ ৱিঙ্কলেন চোথেনা এম আর সীগী গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা অহেনবা গোল চন্নবা হোৎনরবসু চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী অঙনবা মতম মেচকী ৩০শুবা মিনটতা এম আর সীগী জর্সি নম্বর ৮ মহেসন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখি। কে এ এল ৱাই সী-এগী মায়কৈদগী এম আর সীনা গোল অমা মাঙজিল থানা চৎলিবা অদু মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ দিগী এস ৱাই দি এ সান্তিপুর অমসুং সভেন টাইগর খুরাই শান্নখি। মেচ অদু অহানবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নদনা মেচ অদু গোল ০-০দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী ২১শুবা অমসুং অরোইবা মেচ ওইনা নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী এলেভেন ষ্টার করাম মখা অমসুং ঐচ এন এস সী হাওৰৈবি শান্নগদবা মেচ অদু এলেভেন ষ্টার লাক্তবদগী ঐচ এন এস সী ৱাক ওভর ফংখি।